# কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – নিংথৌরেল হিরোহিতো –

নিংথৌরেল হিরোহিতো অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা জপানগী লুচিংবা ওইখি। মহাক জপানদা খ্বাইদগী মতম শাংনা পানখিবা নিংথৌরেলনি। হিরোহিতো কুমজা ১৯০১ গী এপ্রিল ২৯দা তোকিয়োদা লৈবা রোয়েল পেলেস (কোনুং)দা পোকখি। মহাক পোকপা মতমদা মহাক্কী মবুধৌনা জপানগী নিংথৌরেল ওইখি অমসুং মহাক্কী অপোকপনা ক্রাউন প্রিন্সনি। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক প্রিন্স মিচি হায়না মমিং থোনখি।

পোক্লবা মতুং মতম খরা লৈরগা মহাক অতোপ্পা নিংথৌগী ইমুং অমদা লৈখি অমসুং ইমুং অদুদা চাওখি। মসি নিংথৌগী ইমুংগী মচানুপা ওইবশিংগী চৎনবীনি। মশাগী চহী ৭ শুরকপদা মহাক গকাশুইন কৌবা জপানিজ নোবলশিংগী অখন্নবা স্কুল অমদা মহৈ তমখি।

মশাগী চহী ১২ শুবদা হিরোহিতোগী মবুধৌ লৈখিদে। মসিনা মরম ওইদুনা মহাক্কী অপোকপনা নিংথৌরেলগী ফম্বাল কাখি অমসুং মহাক্না ক্রাউন প্রিন্স ওইখি। কুমজা ১৯২১ দা হিরোহিতোনা য়ুরোপতা খোঙচৎ অমা চৎখি। অসুম্না মহাক য়ুরোপতা চৎপা জপানগী অহানবা ক্রাউন প্রিন্স ওইখি। মহাক ফ্রান্স, ইটালি অমসুং গ্রেট বৃটেন য়াওনা য়ুরোপকী লৈবাক কয়া চৎখি।

য়ুরোপতগী হল্লকপদা হিরোহিতোনা মহাক্কী অপোকপা নারে হায়বসি খঙখি। তঙাইফদনা মহাক জপানগী লুচিংবগী থৌদাং লৌখি। মহাক জপানগী রিজেন্ট হায়না খঙনখি।



মহাক্না রিজেন্ট ওইনা লৈঙাকখি অমসুং কুমজা ১৯২৬তা মহাক্কী অপোকপা নোঙ্গাখি। মদুগী তুংদা হিরোহিতোনা জপানগী নিংথৌরেল ওইখি।

নিংথৌরেল হেক ওইবগা মহাক হিরোহিতো হায়না কৌখিদ্রে- 'হিজ মজেষ্টি নৎত্রগা হিজ মজেষ্টি এম্পরর' হায়না কৌনখি। মহাক 'সোৱা' দিনাষ্টিগী ওইবনা লৈত্রবা মতুংদা মহাকপু নিংথৌরেল সোৱা হায়না খঙনখি। ঙসিসু জপানদা মহাক মিঙ্গৌ অসিনা খঙনরি।

জপানদা হিরোহিতোনা ওথোরিটি মপুং ফানা পায়রবসু মঙোন্দা অঙাং ওইরিঙৈদগী পোলিটিক্সতা য়াওদনবা তাকপী তম্বীখি। মহাক মঙোন্দা পাউতাক পীরিবশিংগী ৱা তাবা তাখি। হিরোহিতোনা পাল্লিঙৈ মনুংদা মহাক্কী এদভাইজরশিং অদু মতিক ময়াই লৈবা মিলিটরি লিদরশিং ওইখি। মখোয়না জপানবু হেন্না পাক চাউথোকহন্দুনা মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক অমা ওইহনবা পামখি। হিরোহিতোসু মখোয়গী পাউতাক্তা চৎপা তাখি। তশেংনমক মহাক মখোয়গী মায়োক্তা চৎপা তারবদি মখোয়না মহাকপু হাৎপা য়াই হায়না কিখি।

হিরোহিতো লৈঙাক্কী অহানবা মরুওইবা অচৌবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমদি জপান্না চাইনাদা লান্দাবা অসিনি। জপান অপীকপা ঈথৎ লৈবাক মচা ওইজরবসু মতিক ময়াই লৈখি। লৈবাক অসি লম অমসুং মহৌশাগী পোত্থোকশিং পামখি। কুমজা ১৯৩৭ তা জপান্না চাইনাদা লান্দাখি। মখোয়না চাইনাগী অৱাংথংবা মঞ্চুরিয়া অমসুং কেপিটেল নানকিং খুদুম চনখি।

কুমজা ১৯৪০ দা জপান্না নাজি জর্মনি অমসুং ইটালিগা মীচঙ ওইনদুনা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৪৫ তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হিরোসিমা সিটি অমসুং নাগাসাকি সিটিদা এটোমিক বোম অমমম থাদখি। জপানিজ লিশিং চা কয়া শিখি অমসুং জপান্না সরেন্দর তৌখি। নিংথৌরেল হিরোহিতো কুমজা ১৯৮৯ গী জন্যূৱারী ৭তা নোঙ্গাখি।

# ব্যুটি : মীওইবনা থক্লরিবা বিয়র উনশাদা তৈবনা লুজ স্কিন টাইট ওইহনবগা লোয়ননা মায়থোঙ মকা লামহল্লি

বিয়র থকপনা মীওইবগী হকচাংদা অমাংবা কয়া থোকহল্লবসু বিয়র হকচাংগী উনশাশিংদা তৈবদা কান্নবা কয়া অমা লৈ। এজিং প্রোসেস তপহনবগা লোয়ননা উনশাবু ঙৌথোকহনবদা অচৌবা মতেং পাংই। হন্দক ইকুই কুইদ্রিঙৈদা রিছর্স অমগা রিপোর্টকী মতুংইন্না বিয়র উনশাদা তৈরবদি উনশাগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি অমদি উনশাবু লংনা-ঙৌনা ফজহনবা ঙম্মী। মরম অদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ঙসি বিয়র উনশাগীদমক হিদাক ওইনা শীজিন্নরি।

বিয়র অমদি চোকলেট : বিয়র অমদি চোকলেটকা পূন্না য়ানশিন দুনা হকচাংগী উনশাদা তৈরবদি উনশাদা য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওই। মদুনা উনশাগী শিরবা সেলশিংবু হিংগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওই। অদোম্না করিগুম্বা মিনট খরগী মনুংদা মপাঙ্গল কনবা অমদি ফজবা উনশা ওইহনবা পাম্লবদি বিয়রগী দ্রোপ খরাগা খোইহিগা য়ানদুনা তৈবিরবদি মদুগী কান্নবা অদু ফংগনি। মদুনা স্কিনদা বিটামিন বি পীবা হায়বদু ওই। উনশাগী অশিবা সেলশিংবু ফহন্দুনা ব্লদ সর্কুলেসন ফগৎহল্লি।



উনশাগী মখল খুদিংদা বিয়রনা কান্নবা পী : বিয়রগী ফেসিয়ল মখল কয়াগী উনশাশিংদা য়াম্না কান্নবা হায়বদু ওই। মদুনা স্কিনগী পি এচ বেলেন্স তৌনা থম্বদা মতেং পাংই। বিয়রদা এন্টিওক্সিদেন্টসকী চাং য়াম্না য়াওবনা সাইদ ইফেক্ট লৈতনা উনশাগী মনুং য়ৌনা শেংদোকপা ঙম্মী। থা অমদা বিয়র ফেসিয়ল অমুক-অনীরক তৌবা কান্নগনি।

উনশাবু পোৎথাবা ঙমহল্লি : লশিংগী মতেংনা বিয়র লুপ্তুনা হকচাংগী উনশাদা তৈবনা উনশাবু পোৎথাবা ঙমহল্লি। করিগুম্বা অদোম্না বিয়র অমদি এলোবেরা জেলগা য়ানশিন্নরগা তৈরবদি উনশা মনুংদা লৈরম্বা অমোৎপশিং য়াম্না লায়না কোকহনবা ঙম্মী। লোয়ননা বিয়রদা বোদকা চামচ অনী অমসুং চমপ্রা য়ানদুনা তৈরবদি লুজ ওইরবা উনশাবু টাইট ওইহনবা ঙমগনি। উরিং থুংবসু ফহনবা ঙমগনি : অদোমগী মায়দা করিগুম্বা উরিং অমদি অমুবা দাকফম লৈরগদি বিয়রগী দ্রোপ খরা অমদি য়েরুম অনী, শঙ্গোম চামচ অমা, চমপ্রাগী মহী খরা য়ান্দুনা পেষ্ট শেমদুনা তৈরবদি অদোমগী মায়দা লৈরিবা দাক অমদি উরিং ফহনবসু ঙমগনি।

মালেমগী অঙকপাশিং

# বৈজিংদা লৈবা টেম্পল ওফ হেভন

টেম্পল ওফ হেভন হায়বসি খা নোংপোক থংবা বৈজিংগী জুৱানবু দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লাইনীং-লাইশোনগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকফমনি। থাইনা মমাংঙৈ মিং অমদি কিং দাইনেষ্টিগী নিংথৌরেনশিংনা লৌরোক পনথা মতমদা হেক-হেক মফমসিদা ইরাৎ-থৌনিদুনা চাথোক হেন্না থৌনিজরম্মী। নিংথৌরেল য়োংলেনা কুমজা ১৪০৬ গীনা ১৪২০ ফাওবগী মনুংদা টেম্পল কমপ্লেক্স অসি শাখিবনি। বৈজিংগী ফোর্বিদন সিটিসু নিংথৌরেল অসিনা শেমগৎখিবনি। নিংথৌরেল জিয়াজিংগী মতমদা টেম্পল কমপ্লেক্স অসিবু ১৬ শুবা চহীচাদা "টেম্পল ওফ হেভন" হায়না মিংথোন পীরম্বনি। নিংথৌরেল অসিনা টেম্পল ওফ সন, টেম্পল ওফ অর্থ অমদি টেম্পল ওফ মুনসু শেমগৎখি।

থাইনা মমাংঙৈদা চাইনাগী নিংথৌরেলশিংবু অতিয়া নিংথৌগী মচানি হায়না থাজনরম্মী। মরম অদুনা অতিয়াগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্ববু য়াম্না মরু ওইনা লৌনৈ। চহী অমদা অনীরক নিংথৌরেলনা ফোর্বিদন সিটিদগী বৈজিং ফাওদুনা লাক্লগা টেম্পল কমপ্লেক্স মনুংদা লৈরে। মফমদুদা ফি অশেংবা শেৎলগা শা-ঙা অমত্তা চাদনা লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকই। মীচম অমত্তনা হায়রিবা থৌরম অসি য়েংবা য়াদে। খজিক্তং শোয়খিবদা লৈবাক মীয়াম্না অৱা-অনা তাগদবা মরম্না লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকপদা য়ারিবমখৈ অশোয়বা অমত্তা য়াওহন্দনবা হোৎনৈ। লাইশঙ মনুংদা নিংথৌনা অখন্নবা মওংদা চাথোক মরাং কায়হন্নবগী মতাংদা থৌনিজৈ।

চেকপলনা পুমকোয় কোয়শিনবা লাইশঙ অসি ওপিয়ম ৱার মতমদা এংলো-ফ্রেঞ্চ এলাইয়ন্সনা খুদুম চন্দুনা থল্লম্মী। কুমজা ১৯৯০ দা বোক্সর রেবেলিয়ন মনুংদা লৈবাক নিপালগী অপুনবা এলাইয়ন্সনা টেম্পল কমপ্লেক্স অসিবু টেম্পররি কম্মান্দ ওন্থোকখি। মতমদুদা টেম্পল কমপ্লেক্স অমদি লৈকোলগী শরুক অয়াম্বা অমাঙ অতা থোকখি। লাইশঙ মনুংদা লৈবা মমল তাঙলবা পোৎলম কয়াসু হুরানখিরম্মী। কুমজা ১৯১৪ দা মতমদুগী চাইনীজ প্রেসিদেন্ট য়ুৱান শিকাইনা মহাক মশামকপু নিংথৌরেল ওইনা লাউথোক্লবগী শরুক অমা ওইনা লাইশঙ মনুংদা অখন্নবা লাইনীং-লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকখি। কুমজা ১৯১৮ দা টেম্পল কমপ্লেক্স অদু পার্ক ওন্থোক্লগা অহানবা ওইনা মীচম-মীয়াম চঙবা য়াহল্লম্মী। কুমজা ১৯৯৮ দা য়ুনেস্কোনা টেম্পল কমপ্লেক্স অসিবু ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকখি।

স্কৱার কিলোমিটর ২.৭৩ পাক-চাউবা মফমদা শাবা টেম্পল কমপ্লেক্স অসিদা মার্বলনা মতুম তানা শাবা হোল ওফ প্রেয়র লৈ। মিটর ৩৬ কী দাইমিটর ওইবা অমসুং মিটর ৩৮ ৱাংবা বিল্ডিং অসি নুংঙৌনা মখোঙ ওইরগা উ অমদি উপাক কয়া শীজিন্নদুনা শাবনি। য়োপ্পী অমত্তা য়াওদনা শাবা বিল্ডিং অসিদা নিংথৌনা চহী খুদিংগী মহৈ-মরোং মরাং কায়হন্নবা হেক-হেক থৌনিবা লাকই। কুমজা ১৮৮৯ দা অখাক অরাউ নংবদগী পুংতুম তুম্না মৈ চাক্লরবা বিল্ডিং অসি চহীকয়াগী মতুংদা নৌনা অমুক শাখিবনি। হোল ওফ প্রেয়রগী মখা থংবদা ইম্পরিয়েল ভোল্ট লৈ। অনী অসি য়েংবদা মওং-মতৌ হাইরপ মান্নরবসু হোল ওফ প্রেয়রনা চাউবা হেল্লি। চেকপলনা পুমকোয়-কোয়শিনবা বিল্ডিং অসিদা য়াওবা ইকো-ৱালগী মতেংনা অথাপ্পা মফম ফাওবা মখোল অমদি খোঞ্জেল য়ৌহনবা ঙম্মী।


Spot the difference

Circle 10 differences you can find between the two pictures.







Title: Mermaid
By: Enunganba Maibam
Class: PSK-I Sec: A Roll No. 12
School: Blooming Kids Academy




Title: Lotus
By: Olympia Maibam
Class: PREP-I Sec: A Roll No. 06
School: Blooming Kids Academy




Title: A Lady With Vegetable
By: Nongmaithem Gitanjali Devi
Class: IV Sec: Roll No. 01
School: Royal Education Centre, Nachou Potshang-



Title: Save Tree
By: Thokchom Chingngulen
Class: IV Sec: Roll No. 49
School: Maria Montessori




Title: Elephant
By: Yumnam Jita Devi
Class: III Sec: C Roll No. 18
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: Tolongkhomba Leichombam
Class: Sec: A Roll No. 26
School: St. John English High School



Title: A Girl Swinging
By: Ghanaluxmi Oinam
Class: III Sec: A Roll No. 11
School: Kids' Foundation




Title: Sports Car
By: Yanglem Chitanjit
Class: II Sec: B Roll No. 18
School: Smart Universal Academy




Title: Scenery
By: M. Leena Chanu
Class: III Sec: A Roll No. 56
School: Kids' Foundation



Title: The Boy And Girl
By: Okram Oliviya Devi
Class: II Sec: Roll No. 06
School: Pari Imom Khwai Shindam Sang, Pangei



Title: Sangai And Shirui Lily
By: O. Prisan Singh
Class: III Sec. A Roll No. 16
School: Smart Universal Academy



Title: Dolphin
By: Takhellambam Reena
Class: VI Sec: Roll No. 08
School: Brighter Academy